লৈঙাক্কী অশোয়বা পোলিসীনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী মীয়াম খম থেংনা ৱারিবনি : এস এ এল

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী মীয়াম্না থা ১০ শুরবা ফাওবা খম-থেংনা হায়ফম খঙদনা ৱারিবসি লৈঙাকসিগী অশোয়বা পোলিসীননি হায়না শুগুনু অপূনবা লূপ (এস এ এল)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম সঙ্গিতানা লৈঙাক্তা মরাল শীরক্লি।

ঙসি শুগুনুদা চথখিবা ৱাকৎ খোঙজং অমদা শরুক য়ারদুনা সঙ্গিতানা মখা তাখিবদা, লৈঙাকসিনা মতম চানা মচা-মনাওশিং খোমজিন-তাশিনবীহৌদবদগী মীতৈ ঐখোয়দা অসুক ৱাবা ফীভমসিদা তারিবনি। লৈবাক্কী য়াম্না লুরবা তানফমসিদা ইমা লৈবাক কন্ননবা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা তূম্বা-চাবা খঙদনা থৌদাং লৌরিবা ঈ মশেল, মচিন-মনাওগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবগী মওং তৌবসি মমা ওইবীশিং, মচে-মচল ওইবীশিং কয়াগী থম্মোয় য়াম্না শোকই। ইচা-ইনাওশিং ৱাখল মুন্না খন্থরগা লৌরিবা ফিরেপ পূম্নমক হন্দোকপীয়ু।

ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সনা লৌরিবা থৌদাং অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোলনা লৈবাক্কীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং ঐখোয়না লোইনা খঙই। মাগী-মাগী লৌফম থোকপা থৌদাং লৌনদুনা লাক্লিবনি। ঐখোয় মশেল শাউনরগা ঐখোয়গী য়েক্লবশিংনা নোক্লখিনবা থবক তৌরোইসি। ঐখোয়গী ইরমদম, ঐখোয়গী ঙমখৈ ঐখোয়না ঙাক্তনা কনানা ঙাক্কনি। ঐখোয় অশাউবা, নুংঙাইনদবা কয়া লৈরম্লবসু মদু পূম্নমক কাউথোক্লদুনা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা পুন্না ইমা লৈবাক ইরমদম কনমিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা, কুকি লালহৌলূপশিংগী মতম লোইরবা সূ অসি হৌজিক ফল্লিবা এসেমব্লী মীফম্না সূগী মতাংদা মীয়ামদা চয়েৎ-চনৈবা, ৱাখল তাহন্দ্রিবসি য়াম্না পেন্দে। হীরমসিগী মতাংদা অশেংবা অচুম্বশিং লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মসিগা লোয়ননা সূ মখা তানা চথবা য়ারোই, মমিং ফাওবা পনবীরক্লনু। করিগুম্বা মখা তানা সূ চৎনরকপা তারবদি লৈবাক মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়ারম্বী মোইরাংথেম ওংবী থোইনু এস এ এলগী ইগজিক্যুটিভ মেম্বরনা হায়খিবদা, খুল ঙাক্লিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল অমদি মণিপুর ষ্টেট ফোর্স অনীগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবা মানবা মওংদা চথরক্লিবা থৌওংসিনা লানবুং ওইরিবা শুগুনুগুম্বা মফমসিদা লৈজরিবা মীয়ামদা হেন্না মীপাইবা পোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

লাঞ্জেন্নখিবা কুকিশিং হল্লকউ য়াদবদগী পল্লেলগী মোলোই খুলদা লৈরম্বা য়ূমগী থোঙ থুগায়খ্রে, সাইকুলদনা মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী থোরকখিবা কাঙলুপকী ঈরাংসিনা ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখিবদগী হল্লকউ য়াদবা পল্লেলগী মোলোই কুকিশিংগী য়ূম খরগী থোঙ অমদি থোঙনাও থুগায়খ্রে। অমরোমদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইকুলদনা কুকি ইনপি সাইকুলনা মার্চ ১দা ভিলেজ চীফ, চর্চলিদর, সোসল ৱার্কর অমদি মহৈরোয়শিংগী লূপশিং য়াওনা সাইকুলদা মীয়ামগী মীফম কৌখ্রে।

পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোলোই কুকি খুলদা হান্না লৈরম্বা কুকিশিং লানসিনা মরম ওইরগা মশা-মশাগী ময়ূম থাদোক্তুনা চৎনখিবদু হান্নগুম অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা লৈননবা হায়খিবদা য়াদে হায়না কুকি দিফেন্স কম্মিটি (কে দি কে)গী মীওইশিংনি হায়না থাজবা মীওই খূৎপু অমনা নুঙথং অমদি জন্ফৎ কহাই পায়দুনা লাক্লগা য়ূমগী থোঙ-থোঙনাওশিং থুগায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি।

কুকি দিফেন্স কম্মিটিগী মীওইশিংনি হায়বা কাঙবুদুনা মোলোই কুকি খুলগী মী লৈনদ্রবা য়ূমশিং থোঙ ছো লোল্লগা লৈরম্বশিং অদু নুঙথং অচৌবা অমনা ৱাইখু থুগায়রগা মতুংদা থোঙ-থোঙনাওশিং মথং-মথং থুগায়রম্বনি হায়রি।

মখোয়না থোঙ-থোঙনাওশিং থুগায়রম্লবা মতুংদা য়ূম্বুশিংগী মমিংসু মথং-মথং লাউথোরকখি। কুকি দিফেন্স ফোর্স কম্মিটিনা হায়রিবনা মোলোই কুকি খুলদা লৈবা য়ূম্বুশিংনা লাঞ্জেন্নখিবশিং মশা-মশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈরনবা হায়না হান্না খঙহনখি। অদুবু য়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবশিং ঙসি ফাওবা হল্লক্তুনা মশা-মশাগী য়ূমদা লৈরদবসিদা কে দি কেনা শাউবদগী য়ূমশিংদুগী থোঙ-থোঙনাও থুগায়খিবনি হায়খি।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইকুলদনা কুকি ইনপি সাইকুলদা মীফম পাঙথোক্তুনা হন্দক্কী ঈরাংসিদা ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখ্রবশিং হঞ্জিল্লক্ত্রবদি মখোয়না লৈরম্বা য়ূমশিংদা খুল ঙাকপশিংবু লৈহনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

কেনেল লোইশিনবীয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) : থৌবাল প্রোজেক্ট রাইট মেন কেনেল ফার্মরস কম্মিটি অন্দ্রো এ সীগী সেক্রেটরি ঐচ ধর্মচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৌমী কয়াগী লৌফমশিং ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টতা কথোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা থৌবাল প্রোজেক্ট রাইট মেন কেনেলগী ফার্মরশিংনা ঈশিং নীংথিনা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়রি।

প্রোজেক্টসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়রদা হায়জরুবগী মতুংইন্না চহীসিগী অঙনবদা শরুক্তা চীফ ইঞ্জিনিয়র মশামক্না লৌমীশিংগী য়েংলগা ই ই য়াওনা অন্দ্রো এ সীদা লাক্তুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক হৌখ্রে। থবক অসি নোংজু থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা লোইশিনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিক্রুটমেন্টকী নোটিশ থোকপা য়ানিংদে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) অমসুং মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)না কুমজা ২০১৯দা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ সী অমসুং দিগী পোষ্ট কয়াগী রিক্রুটমেন্ট এগজাম তৌখিবগী ফল হায়দোক্ত্রিঙৈদা ফেব্রুৱারী ২৭তা অমুক এম এস পি সী এলনা গ্রুপ সী অমসুং দিগী রিক্রুটমেন্ট নোটিফিকেসন থোরকখিবা অদু য়ানিংদে, অথুবা মতমদা কেন্সেল তৌগদবনি অমদি ২০১৯গী এগজাম হায়দোক্কদবনি হায়না এগজাম থাখিবা কেন্দিদেটশিংনা ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা সঞ্জেন্থোং ৱাংমা ওফিসর্স কোলোনিদা লৈরিবা পৱার মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী ক্বার্টরদা থোমজিন্দুনা ৱারী শাননবা হোৎনরুরবা মতুং ৱারী শাবা ফংলক্তবদগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা এম এস পি সী এলগী ওফিস মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

কেন্দিদেট অমনা ফোঙদোকখিবদা, ২০১৯গী গ্রুপ সী অমসুং দিগী কেটগোরিদা এম এস পি দি সী এলনা পোষ্ট ৬২২ অমসুং এম এস পি সী এলনা পোষ্ট ২৮৫ কৌখিবদগী এগজামনচিংবা পাঙথোকখ্রবনি হায়রি।

হেল্থ হায়জিনগী কিটশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ১২দা চঙজফম লৌরিবা লৈফম লৈজদ্রবা মীওইশিংদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমদি আই আর সী এস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ঙসি কোয়না চত্তুনা হেল্থ হায়জিন কিটশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা, ভাইস চেয়রমেন ডা. লাইশ্রম মংলেম, সেক্রেটরি অথোকপম নবচন্দ্র, ট্রেজরর নাওরোইবম প্রেমজিৎ, শিলোংদগী কৃষ্ণ শর্ম্মা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কোওর্দিনেটর ডা. হুইদ্রোম রোমেন অমদি অতৈ ভোলন্টিয়রশিংনা ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি।

হেল্থ হায়জিন কিট য়েন্থোকখিবা রিলিফ কেম্পশিং অদুদি ওইনাম গবর্ণমেন্ট হায় স্কুল, লৈমরাম এস সী গার্লস হোষ্টেল, মাঙ্গোলঙানবী কোলেজ নিংথৌখোং, ওক্সোংবুং য়ু পি এস মোইরাং, মোইরাং কোলেজ, মোইরাং খুনৌ মমাঙ সাবল মান্দপ, মোইরাং খুনৌ পি এস খোংনাংখোঙনচিংবনি হায়রি।

আই সী ও পি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনল ওফিস ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা নোংমগী ওইবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম (আই সী ও পি) 'সিষ্টেমেটিক ভোটর্স এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন' হায়বা হীরমসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱেষ্টর্ন কোলেজ কোন্থৌজমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরম অদু ৱেষ্টর্ন কোলেজ কোন্থৌজমগী প্রিন্সিপাল খুমন্থেম দেবেন্দ্রোনা প্রিসাইদ তৌখি হায়না চেরোলসিনা মখা তারি।

[illegible]

[illegible] [illegible] www.msfds.org [illegible]

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
[illegible]/NOTIFICATION
Imphal, the 29th February, 2024

No. 12/PMS-FORMS/2012-TA&H: It is hereby to inform all concerned that, Notification for online submission of application for availing ST Pre & Post – Matric scholarship for the year 2023-2024, notified vide Notification No. **12/PMS-FORMS/2022-TA&H dated 11.12.2023**, is extended further up to **15.03.2024** as per the schedule provided below:

The Last date of online submission details will now be as given below:

Category	Scheme closing date	Defective Application Verification Date	Institute Verification	DNO/SNO Verification
(1)	(2)	(3)	(4)	(5)
(a) Pre-Matric	Open till **15-03-2024**	Open till **28-03-2024**	Open till **28-03-2024**	Open till **15-04-2024**
(b) Post-Matric	**-do-**	**-do-**	**-do-**	Open till **15-04-2024**

2. Therefore, all Students/Principals/HODs/DNOs of various institutes located in Manipur and outside the State are directed to complete their application and verification process well on time before the expiry of the extended dateline.

3. Issued in public interest and for compliance by Students / Institutes heads.

Sd/-
ST Rithung Anal
Addl. Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/8590/1,2,3 March.

লৌশিং পুক্কে

ঐখোয়গী অকোয়বদা মমল

হোংনা মরাং কায়না ফংলিবা চিঞ্জাকশিং চাদুনা হকচাং ফনা লৈহনসি

মীওইবা খুদিংমক্না হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈবা পাম্মী। হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক ঐখোয়না মখল মখা কয়াগী হকচাং শাজেলশিং তৌরি অমদি অফবা মমল তাংবা চিঞ্জাকশিং লৈদুনা শিজিন্নরি। মসিগী মথক্তা চাবা থকপগী মতম চপ চানা শেমদুনা য়াম্না ৱানা হোৎনরিবা ঙাক্তনি। অদুবু মচল শুনা য়াওরবা অতাংবা মখলগী চিঞ্জাকশিং লৈদুনা চাবা ঙমদবা মীওই কয়া অমসু লৈরিবনি। নোংমগী চারা তাল্লগা চারিবা মীওইশিংনা মমল তাংবা চিঞ্জাক লৈদুনা চাবা হায়বসি কয়া ওইথোক্লরোইদবা ৱাফম অমনি। মমল তাংবা চিঞ্জাক নৎত্রগা পোৎলমশিংখক্তা ঐখোয়না অফবা ওইনা উরি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি থাদোক্কদবনি।

ঐখোয়না হকচাং মপাঙ্গল কন্না লৈহন্নবা হোৎনবদা করি তৌবা য়াবগে হায়বসি থিজিনবগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইরগা করি চাগদগে হায়বা খঙদবনি। অদুবু ঐখোয়না ঐখোয়গী অকোয়বদা মমল তাংবা পোৎলম কয়া অদুদগী হেন্না কান্নরবা মহৈ মরোং অমদি চিঞ্জাক কয়া ফংই হায়বসি হেক হেক কাউথোকপগুম তৌরি। ঐখোয়না হকচাং ফনা অমদি হকচাংগী ইম্যুন মপাঙ্গল ফনা লৈহন্নবা ঐখোয়গী অকোয়বদা মমল হোংনা অমদি মরাং কায়না ফংলিবা চিঞ্জাকশিং চাদুনা হোৎনবা য়াই।

ঐখোয়না হকচাং ফনা অমদি তিঞ্জং কায়জংদনা লৈনবা হোৎনবদা ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না লৈহনবা মথৌ তাই। ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না লৈহন্নবগীদমক অখঙ অহৈ অমদি ডোক্তরশিংগা তানদুনা মমল তাঙবা ফূদ সপ্লিমেন্ট কয়া লৈদুনা চানরি। অদুবু শেন্থোক লন্বী ৱাৎপা মীওইশিংদি অতাঙবা চীঞ্জাকশিং লৈদুনা চাবা ঙমদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অদুবু ঐখোয়না ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা মমল য়াম্না তাঙবা দাইটশিং লৈদুনা চাদ্রবসু য়াই। ঐখোয়গী অকোয়বদা লায়না অমদি মমল হোংনা ফংবা মনা মশিং অমদি হৈ রা চাবনা ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়াই হায়না থিজিল্লোয় কয়ানা ফোঙদোক্লরকপা লৈরে। অমরোমদা ঐখোয় ইশানদি খঙজদবা অদুবু ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী চানরিবা চিঞ্জাকশিংদা ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বা কয়া য়াওরি। মমল হোংনা অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা মরাং কায়না ফংবা ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না লৈহনবদা মতেং ওইবা চীঞ্জাকশিং অদুগী মতাংদা খঙমিন্নসি।

১) চনম - চনম হায়রিবা মরোই মপাঙ মখল অসি ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী চানরিবা অমনি। অদুবু মসিনা পীরিবা কান্নবশিং অদুগী মতাংদদি ঐখোয়না খঙদে অমদি নোংমতা খঙনবসু হোৎনরুদে। ঐখোয়না খঙলিবা হায়ববু চনম চাবনা হকচাংদা কান্নবা পী হায়বসিখক্তনি। অদুবু পীরিবা কান্নবা অসি করিনো হায়বসু খঙদে। চনমদা ইম্যুন বুষ্ট তৌবা ঙম্বা সলফরগী চাং অসি য়াম্না য়াওই। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা চনম চাবনা লায়না তিননা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি হায়বগী থাজনবসু লৈরি। চনম চাং নাইনা চাবনা অর্টরিশিং ফুঞ্জিল্লকপা থিংবা ঙম্মী অমদি ব্লদ প্রেসর নেম্বা মীওইশিংদসু কান্নবা পী হায়রি। অদুম ওইনমক ব্লদ প্রেসর নেম্বা মীওইশিংনা চনম চাবদা কান্নবা পী হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা চপ চাপা খুদমগা কোন্ননা হায়বদি লৈত্রি।

২) ব্রোকোলি - ব্রোকোলি চাবনা হকচাংগী ইম্যুন মপাঙ্গল কনখৎনা লৈহনবদা চাওনা মতেং পাংই। মরমদি ব্রোকোলিদা মিনরেল অমদি ভিটামিনশিং মরাং কায়না য়াওই। মসিদা য়াওরিবা ভিটামিনশিংদি ভিটামনি এ, ভিটামিন সী অমসুং ভিটামিন ঈনি। মসিগী মথক্তা ফাইবর অমদি এন্টিওক্সিদেন্টসু য়াওই। ঐখোয়না চানরিবা খ্বাইদগী ফবা অমদি হকচাংদা কান্নবা পীবা অশংবা মনা মশিংগী মনুংদা ব্রোকোলিসু অমনি। ব্রোকোলি থোংবা নৎত্রগা ঙৌবা মতমদা য়াম্না মুন্না থোংবা অমদি ঙৌরোইদবনি। অমরোমদা ব্রোকোলি থোংদুনা নৎত্রগা ঙৌদুনা চাবগী মহুত্তা ষ্টিম তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়রি।

৩) শিং - মালেমগী মীওই অয়াম্বা শিং অসি পাম্না চানৈ হায়না লৌবা য়াই। ঐখোয়গী লমদম অসিদসু শিং অসি য়াম্না কম্মন ওইনা শিজিন্নবা মরোই মপাংশিংগী মনুংদা অমনি। শা ঙা থোংবা অমদি কাংশোই থোংবদা শিং অসি হাপ্লে। শিং অসি মরাং কায়না ফংই অমদি মমলসু হোঙই। অদুবু ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী চারিবা শিংনা পীবা কান্নবশিংগী মতাংদা ঐখোয় খঙমিন্নসি। শিং চাবনা ইনফ্লেমেসন হন্থহনবা ঙম্মী অমদি ইনফ্লেমেসনগা মরী লৈনবা অনাবশিং কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী। খৌনাউ নুংঙাইহল্লি অমদি ওনিংবা অমসুং কোক ঙাওবসু ফহনবা ঙম্মী হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লরি। মসিগী মথক্তা মতম কুইনা নাদুনা লাক্লবা অনাবশিংগী চৈনা অমদি কোলেষ্টেরোল হন্থহনবদসু মতেং পাংই হায়রি।

মথক্তা পনখ্রিবা অহুম অসি চাং নাইনা চারবদি ঐখোয়না হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না লৈহনবদা চাওনা মতেং পাংগনি। মসি মতম চংনা থিগদবা নত্তে। ঐখোয়গী অকোয়বদা মরাং কায়না ফংবা ঙাক্তনি। অদুবু চাবা মতমদা চাং অমদা চাগদবনি। হেঞ্জিন্না চাবনা হকচাংদা কান্নবা পীবগী মহুত্তা অমাঙবা ওইহল্লকপসু য়াই। অমরোমদা হায়রিবশিং অসি নত্তবা ঐখোয়গী য়ুম ইস্থোলদা মরাং কায়না হৌবা অমদি কৈথেলদা লায়না ফংবা চীঞ্জাক কয়াসু লৈরি। মমিং ওইনা খরদং পল্লবদা পালংশাক, গ্রিন টি, য়াইঙং, নুমিৎ লৈ মরূ, অৱাথবি, চম্প্রা অমদি কোমলা চাং নাইনা চাবসু কান্নবা য়াম্না পী।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।০৩। ২০২৪ ইং, থাংজ; অয়ুক পুং ৭.৫৪ ফাওবা ফাইরেলগী ২১নি পাল্লি, মতুংদি ২২নি পাল্লনি।

মেষ: লৌশিং থোকপা অমদি লাইবক ফবা ৱাংলি। ইচঙ থৌবনা লন ফংবদি হেনবা, মীগী মতেংনা থবক পাঙবা, মীয়াম্না চানবীবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী- মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃষ: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। শেন্দোং চাউগনি, মরুপ-মপাংগী মতেং অমদি নীংহন্নদবনা ফনা লুবা থবক ওইরসু লায়না পাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মিথুন: নচাক-নরল শোয়দনা চাওখৎকনি-খূৎচাও থাবা য়ারগনি। অকল-অথৌগী লমদদি য়েক্লবনা তাথিগনি, মরুপ লোয়নবা পাঙদে।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: নক্লবশিংগী মতেং লৌবা য়াগনি, ঙাং-শকপা/পোরম য়াৎপা হৈগনি, ইকায় খুম্নবসু ফংগনি। য়েৎনবা অমদি চরাংনবদি ফরোই।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

সিংহ: অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওবা অফবা খোঙশাল লৈ। পন্দুনা লৈখিবা লন ফংনবা হোৎনবা অমদি মরুপ-মপাংগা মতেং লৌনবা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- পূকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কন্যা: অশাওবনা শোক পনবা অমদি নক্লবগা য়েংথিনবা খরা লৈরসু মীনা লাকচবা ঙল্লোই। নীংবদুমক পাঙবদা চাউনা ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

তুলা: অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওবদা অফবা থবক পাঙবা হৌহৌবা কান্নবা মহয় ফংগনি। ফিংবা, ৱা য়াম্না ঙাংবা অমদি নথক থোংবগা য়েৎনবদি ফরোই।
লৈশা পাখংগী- য়াকা য়েংনা ৱা ঙাংউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

বৃশ্চিক: লাইবক ফবনা লাই-গুরুনা চানবীগনি, নীংবদুমক কনা অমত্তগী ৱা তাদনা থৌ পাঙবা কান্নগনি। য়েৎনবা, মীৱা থাজবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- পূক্লিং ঈংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: নীংবা থুংবা খরা ৱাৎলসু মীয়াম্না ঙসিসু তেংবাঙবীগনি। নথক থোংবগী মতেং নৎত্রগসু হোৎনবা কনবনা অফবা মফম কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মকর: নীংজবা শোয়দনা থুংগনি, লল্লোন-ইতিক্তা খূৎচাও থাবা য়াগনি, য়ুমগী ৱা তাবা ফৈ। খোয়রাংগনু, চিন শোয়রদি লনদা তায়নগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনীংবা থবক মায় পাক্লা পাঙলগনি। য়েৎনগদবা থবক্তদি থিবা হুম্বা কনখো। লৌশিং চাউবগী পাউতাক লৌ।
লৈশা পাখংগী- লাইবক খরা ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মীন: লাঙতক্লবা, অরাপ্পগা মতেং লৌনবা কান্নরোই। লৌশিং অমদি অচুম্বনা খূৎলাই ওইয়ু, শোয়দনা মায় পাক্কনি। মীয়াম্না তেংবাঙবীগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073 / 6009512716

HL-P/9648/18-29feb/1-18march

Apollo Academy [illegible]
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
(In touch with Shri Cheitnya)
Registration is going on for
NEET (UG) - 2024
50 - DAYS CONDENSE COURSE
Class starts : 11th March, 2024 Session : Morning & Evening
Course fee: ₹ 10,000
Two months Hostel feeship free for
(a) Relief camp NEET -24 aspirants and (b) Students scoring 85% and above in HSLC-2022.
Special Features:
✓ Daily practising problems
✓ Class duration: 1hr. & 15 min.
✓ Daily 4 classes: Phy, Chem, Bot, & Zoo.
✓ Mock test on every Sunday
✓ Explanatory (solution) classes after tests
✓ 2 Mega Mock test (XI Sc. & XII Sc. section)
Forms Available:Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Office (9am. to 3p.m.)

HL-B/8518/22 to 15 March Alt.

[illegible]
SPOKEN ENGLISH
FOR GENERAL CLASSES AND SPECIAL CLASSES FOR ONLY ONE PERSON
FOR SENIOR AND STUDENTS (OFFLINE OR ONLINE)
GLOBAL SPOKEN ENGLISH AND DOT COM COMPUTER
GOURAHARI MARKET, BEHIND POLOGROUND, NEAR HOTEL KHRISTINA PAONA BAZAR, IMPHAL
CLASS TIMING : 5:15 AM TO 6:30 AM, 6:30 AM TO 8:00 AM, 11:00AM TO 12:30 PM, 3:00 PM TO 4:30PM, 5:00PM TO 6:30 PM.
INSTRUCTOR : SIR TEJKUMAR (TEACHING SINCE 1987)
PLEASE CONTACT : 8132904426

HL-B/8573/30 Jan. to 28 March.